# ইন্দিয়াগী মিলিটরি চাদিং মালেমদা অহুমশুবা খ্বাইদগী য়াম্বা ওই: রিপোর্ট



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মিলিটরি চাদিং দোল্লর বিলিয়ন ৭৬.৬ অসি য়ুএস অমসুং চাইনাগী হেক মথংদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওই হায়না স্বিদেনদা লৈবা থিঙ্ক-টেঙ্ক--ষ্টোকহোল্ম ইন্টরনেসনেল পিছ রিছার্স ইন্সটিট্যুট (এসআইপিআরআই) না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙবা মসিগী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টতা হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা হায়, ইন্দিয়াগী মিলিটরি চাদিং অসি কুমজা ২০২০ দগী চাদ ০.৯ হেনগৎখি অমসুং কুমজা ২০১২ দগী চাদ ৩৩ হেনগৎখি। ইন্দিজিনস খুৎলায় ইন্দষ্ট্রি চাওখৎহন্ননবগীদমক্তা কুমজা ২০২১ গী মিলিটরি বজেটতা চাদ ৬৪ গী কেপিটেল হাপ্লে। লৈবাক অসিদা শাজবা খুৎলায়শিং লৈনবগীদমক্তা এয়রমার্ক তৌখি।

ইন্দিয়া অসি চাইনা অমসুং পাকিস্তানগা মায়োক্নদুনা লান অনী শোক্নবা য়াবগী থ্রেট অমা মায়োক্ন দুনা লৈরিবনি। কুমজা ২০২০ দগী ইন্দিয়ানা চাইনাগা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ত্রোলদা ঙমখৈগী মতাংদা য়েৎনদুনা লাকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২১ দা মালেমগী ওইবা মিলিটরি চাদিং অসি চাদ ০.৭ হেনগৎতুনা দোল্লর বিলিয়ন ২১১৩ য়ৌখি।

মখা তানা রিপোর্ট অদুনা হায়, কুমজা ২০২১ দা ঙাকশেলগী হিরমদা খ্বাইদগী চাওনা চাদিং তৌখিবা লৈবাক মঙাদি য়ুএস, চাইনা, ইন্দিয়া, য়ুকে অমসুং রসিয়ানি। গ্লোবেল মিলিটরি স্পেন্দিংগী অনৌবা দাট্টাগী মতুং ইন্না লৈবাক মঙা অসিনা তৌরিবা মিলিটরি চাদিং অসি মালেমগী অপুনবা মিলিটরি চাদিং চাদ ৬২ নি।

কুমজা ২০২১ দা মালেমগী মিলিটরি চাদিং লেপ্তুনা হেনগৎতুনা মতম পুম্বগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংলবা দোল্লর ট্রিলিয়ন ২.১ য়ৌখি। মসি মিলিটরি চাদিং লেপ্তুনা হেনগৎখিবদা থংন থংননা তরেৎশুবা চহীনি।

এসআইপিআরগী মিলিটরি এক্সপেন্দিচর এন্দ আর্মস প্রদক্সন প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা সিনিয়র রিছার্সর দাইগো লোপেস দা সিলভানা হায়, কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইদুনা শেল থুমগী থবক থৌরমশিং হন্থরকখিবা ওইরবসু মালেমগী মিলিটরি চাদিংদি রেকোর্দ ওইবা চাংদা ৱাংখি।

ইনফ্লেসন্না মরম ওইদুনা রিয়েল-টার্মস গ্রোদকী চাংদা তপ্পগী ফিভম লৈখি। অদুম ওইনমক নোমিনেল টার্মসতা মিলিটরিগী চাদিং অসি চাদ ৬.১ হেনগৎখি।

কুমজা ২০২১ দা শেল থুমগী থবক থৌরমশিং হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকপা হৌখিবগা লোয়ননা গ্লোবেল মিলিটরি বর্দন হায়বদি মালেমগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ত (জিদিপি) গী স্যের অমা ওইনা মালেমগী মিলিটরি এক্সপেন্দিচর অসি কুমজা ২০২০ দা চাদ ২.৩ ওইরম্বদগী চাদ ০.১ পোইন্ট হন্থদুনা কুমজা ২০২১ দা চাদ ২.২ ওইখি।

চৈরকসিদা য়ুএস মিলিটরিগী চাদিং কুমজা ২০২১ দা দোল্লর বিলিয়ন ৮০১ ওইদুনা কুমজা ২০২০ দগী চাদ ১.৪ হন্থখি। য়ুএস মিলিটরি বর্দনগী চাং কুমজা ২০২০ দা জিদিপিগী চাদ ৩.৭ ওইরম্বদগী খরা হন্থরক্তুনা ২০২১ দা চাদ ৩.৫ ওইখি।

রসিয়াগী মিলিটরি চাদিং কুমজা ২০২১ দা চাদ ২.৯ হেনগৎতুনা দোল্লর বিলিয়ন ৬৫.৯ য়ৌখি। লৈবাক অসিনা য়ুক্রেনগী বোর্দরদা মিলিটরি ফোর্সশিং শেমগৎ শাগৎলকখিবগা লোয়ননা চাদিংগী চাং হেনগৎখিবনি।

কুমজা ২০২১ দা রসিয়াগী মিলিটরি চাদিং জিদিপিগী চাদ ৪.১ ওইখি।

# পিএম নরেন্দ্র মোদি, ইয়ুগী ভোন দের লিয়ন্না ট্রেদ, টেক্নোলোজি, সেক্যুরিটি লিঙ্কশিং ফগৎহন্নবা খন্নখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা ভোন দের লিয়ন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা মখল মখা কয়াগী রিজনেল অমসুং গ্লোবেল ইস্যুশিং খন্নখিবগা লোয়ননা ইয়ু-ইন্দিয়া ট্রেদ এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিল অমা লিংখৎপগী ৱাফম য়ান্নখ্রে।

মীফম লোইরবা মতুংদা মোদিনা হায়খি, মদুদি ইকনোমিক অমসুং কলচরেল মরিশিং য়াওনা ঐখোয়না ইন্দিয়া-ইয়ুগী মরী পুন্নমক রিভিয়ু তৌখি।

ভোন দের লিয়ন্না মোদিগা উন্নরবা মতুংদা ফোঙদোকখিবদা ইয়ু অমসুং ইন্দিয়াগী পার্টনরশিপ চেৎশিলহনবা হায়বসি মরু ওইবা প্রাইওরিটি অমনি। ঐখোয়না ট্রেদ, টেক্নোলোজি অমসুং সেক্যুরিটিদা কো ওপরেসন হেনগৎহল্লগনি।

ভোর দের লিয়ন্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ইয়ু অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা মরী থম্নরকপা চহী ৬০ শুরে। ঙসিদি ঐখোয়গী মরী অসি হান্নদগী হেন্না মরু ওইরক্লে। ঐখোয়গী মরক্তা হিরম কয়াদা মান্নবা কয়া লৈ। ঐখোয় লোইনমক দিমোক্রেসিদা থাজবা থম্বশিংনি। ঐখোয় অনীমক্না রুলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ইন্টরনেসনেল ওর্দরবু মপুং ফানা শৌগৎলি।

ঐখোয়না পায়খৎলিবা শেল থুমগী থবকশিংং চাওই। ঐখোয় অনীমক্না অরুবা গ্লোবেল চেলেঞ্জ অমা ময়োক্নদুনা লৈরি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ওইনদি ইন্দিয়াগা পার্টনরশিপকী মরী থম্নরিবা অসি লাক্লিবা চহী তরাগী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরীশিংগী মনুংদা অমনি। ইয়ুনা পার্টনরশিপ অসিবু হেন্না চেৎশিলহনবগী অচেৎপা পান্দম থল্লি হায়নসু লিয়ন্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মরু ওইনা খোঙচৎ অসিদা কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট অসিনা মরু ওইবা টোপিক অহুম হায়বদি ট্রেদ, টেক্নোলোজি অমসুং সেক্যুরিটিদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমদি ঐহাক্না ইয়ু-ইন্দিয়া ট্রেদ অমসুং টেক্নোলোজি কাউন্সিল অমা লিংখৎপগী ৱাফম য়ান্নরে। হৌজিক ফাওবদা ইয়ুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেট খক্তদা টিটিসি অমা লিংখৎলি। হৌজিক্তি ঐখোয়না ইন্দিয়াগা লোয়ননা অনীশুবা টিটিসি লিংখৎলগনি।

ইন্দিয়া অসি টেক্নোলোজিগী পৱার হাউস অমনি হায়না ঐখোয়না লৌই। ট্রেদ সেক্তরদা ঐখোয়না হান্নদগী শীজিন্নরক্তবা কয়া শীজিন্ননবা হোৎনরগনি। মপুং ফাবা ট্রেদ অমসুং ইনভেষ্টমেন্টগী এগ্রিমেন্টশিং পুররক্নবগী পান্দমদা নিগোসিএসন চথবা হৌবসি নুংঙাইবা পোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মরু ওইবা টোপিক অমা ওইনা ভোন দের লিয়ন্না ক্লাইমেট চেঞ্জকী ৱাফম পনখি। হিরম অসিগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মদুদি ঐখোয়না অমত্তা ওইনা লুনা লৌনবা অতোপ্পা মরু ওইবা টোপিক অমা ওইরিবা ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈননা ঐহাক্না ইন্টরনেসনেল সোল্লর এল্লাইয়ন্সতা নুংঙাইনা মতম লেনখি।

ইনর্জি সেক্যুরিটি অসি ইন্দিয়া অমসুং য়ুরোপ অনীমক্না খ্বাইদগী লুনা খন্নবা টোপিকশিংগী মনুংদা অমনি। ইয়ুনা ফোসিল ফ্যুএলশিংদগী মীৎয়েং হায়দোক্তুনা তরু তনানবা রিন্যুএবল ইনর্জিদা চাওনা ইনভেষ্ট তৌরগনি হায়না লিয়ন্না মখা তাখি।

# সিএমগী য়ুমদা অমাঙ অতা থোকহনখিবগী মতাংদা য়েংশিন্নবা হায় কোর্টনা দিল্লি পুলিসকী চীফতা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী): চীফ মিনিষ্টর অর্বিন কেজ্রিৱালগী য়ুমগী মপানদা থোকখিবা অমাঙ অতা থোকহনখিবা মতমদা নুংনাংনিংঙাই ওইবা মওংদা অরুবা সেক্যুরিটিগী অহোবশিং লৈখি হায়না ওবজার্ব তৌরদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সিটি অসিগী পুলিস কম্মিস্নারদা হিরম অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

এক্তিং চীফ জষ্টিস বিপিন সাঙ্ঘি অমসুং জষ্টিস নবিন চৌলাগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা হায়খি, মদুদি দিল্লি পুলিসনা ফাইল তৌখিবা ইন্টরিম ষ্টেটস রিপোর্টনা পুলিস ফোর্সনা লমহেন তুহেনবশিং অদুবু চীফ মিনিষ্টরগী য়ুম য়ৌনা লাকপা অমসুং মফম অদুদা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখিবা থিংবা ঙমখিদে হায়বসি উৎলি।

ঐখোয়গী মীৎয়েংদা সেক্যু-রিটিগী অশোয়বা লৈখিবা অসি লুনা লৌই অমসুং মসি দিল্লি পুলিসকী কম্মিস্নারনা য়েংশিনবা মথৌ তাই। হিরম মঙাদা মহাক্না ইনক্কারি চথুগদবনি।

মহাক্না য়েংশিনগদৌরিবা হিরম মঙা অদুদি সিএমগী রেসিদেন্সতা ইরাং হৌবশিং চঙলকপা থিংনবা লৈরিবা কোর্দন মতিক চাখিব্রা অমসুং সেক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্টশিং ফেল ওইখিবগী মরমশিং অমসুং সেক্যুরিটিগী অহোবা লৈখিবদুগী থৌদাং ফিক্স তৌবা অসিনি।

ৱারেপ অসিগী মতুং ইন্না অসিগুম্বা থৌদোকশিং তুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবগীদমক্তা কোর্টনা পুলিসতা চয়োল অনীগী মনুংদা মখা তাবা ষ্টেটস রিপোর্ট ফাইল তৌদুনা সেক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্টশিং রিভিয়ু তৌবগা মরী লৈনবা অকুপ্পশিংগা লোয়ননা করি করি খোঙথাংশিং লৌখৎলকপগে হায়বদু খঙহল্লক্নবা দিরেক্সন পীখি।

বেঞ্চ অসিনা হায়খি, মদুদি ষ্টেটস রিপোর্ট অদু সিল্ড কোভর অমদা ফাইল তৌগদবনি। লোয়ননা মেটর অদুগী মখা তাবা হিয়ারিং বেঞ্চ অসিনা মে ১৬ তা লেপখি।

চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালগী য়ুমগী মপানদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ক্রিমিনেল প্রোব অমা পাঙথোক্নবা স্পিসিএল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এসআইটি) অমা শেম্ননবা তকশিল্লদুনা এএপিগী লো মেক্কর সৌরভ ভরদ্বাজনা হায় কোর্টতা মুভ তৌখিবনি।

দিল্লি এসেমব্লিদা ডি কাশ্মির ফাইলস হায়বা মুভি অসিগী মতাংদা কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি, য়ুব মোর্চানা লুচিংদুনা চথুখিবা প্রোটেষ্ট অমদা চীফ মিনিষ্টরগী য়ুমগী মপানদা চরাংনবা থোকখিবগা লোয়ননা পুলিসনা মীওই ৭০ রোম দিটেন তৌখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা এসেমব্লিদা মুভি অদুগী মতাংদা পনখিবা ৱাফমশিং অদু কাশ্মিরী পণ্ডিত কম্যুনিটিগী মায়োক্তনি হায়না বিজেপি য়ুব মোর্চানা মরাল শীখিবনি।

# কর্নাটকাদা ফেক কিদনি দোনেসন রেকেটতা চেন্নবা ফোরেন নেসনেল অহুম ফারে

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী): বেঙ্গলুরুদা ওপরেট তৌরম্বা ফেক কিদনি দোনেসন রেকেট অমা থেংনবগা লোয়ননা রেকেট অদুগা মরী লৈনবা ফোরেন নেসনেল অহুম ফারে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা কর্নাটকা পুলিসনা লাউথোকখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না এক্যুজশিং অদুনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা মরু ওইবা হোস্পিটালশিংগী ফেক ৱেবসাইটশিং শেমখি অমসুং মখোয়না কিদনি দোন্নরশিং রিসিপেন্টশিং অনীমক্তা টার্গেট তৌখি। ফারবা মীওইশিং অদুদি নাইজেরিয়াদগী মিমি এলাইজ মিরাকল, কোৱা কোলিন্স অমসুং ঘানাদগী মাথিউ ইনোসেন্টনি। এক্যুজ মীওইশিং অদুনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা সাগর হোস্পিটালগী ফেক ৱেবসাইট অমা শেমখি অমসুং কিদনি দোন্নরশিং অমসুং রিসিপেন্টশিং লাকহন্নবা হোৎনখি। হিরম অসিগা মরী লৈননা হোস্পিটাল অদুগী ওথোরিটিশিংনা সাইবর ইকনোমিক এন্দ নার্কোটিক্স ক্রাইম (সিইএন) পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখি। কমপ্লেন্ট অদুগী মতুং ইন্না স্লুটশিংনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখি অমসুং মখোয়না অমরুটাল্লি লোকেলিটিগী এপার্টমেন্ট অমদা রেদ চথুদুনা এক্যুজশিং অদু ফাখি।




## ইন্দিয়ানশিং থাদোক্নবা তকশিনখ্রে

মুম্বাই, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী): মতম শাংনা পাকিস্তানগী জেলশিংদা লৈরক্নবা ইন্দিয়াগী ঙামী ২৪৫ খুদক্তা থাদোক্তুনা ইন্দিয়াদা থারক্নবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মুম্বাইদা লৈবা এক্তিভিষ্ট অমনা পাকিস্তানগী পিএম সেহবাজ সারিফক্না তকশিনখ্রে। ত্বিট অমদা এক্তিভিষ্ট অমসুং জর্নেলিষ্ট জাতিন দেসাইনা হায়খি, মদুদি প্রিজনরশিং অসি মতম কয়াগী মমাঙদা মখোয়গী চৈরাক্কী মতম লোইখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং মখোয়বু জেলশিংদা মখা তানা ফাজিন্দুনা থম্বীরি। কুমজা ২০১৮ দা ঙামী ১৪ গী জেলগী টার্ম লোইখি। মীওই ১৫১ না কুমজা ২০১৯ দা মখোয়গী জেলদা লৈবগী মতম লোইখি। অতৈ লেমহৌরিবা ৮০ অদুনা কুমজা ২০২০ দা মখোয়গী জেল টার্ম লোইখিবনি।

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 304/SDC/NBL of 2022**

1) Wahengbam Sanatomba Singh, S/o (L) Kulla Singh of Thingkangphai, Churchanpur (0.05 acre)
2) Wahengbam Ibemhal Devi, W/o Thokchom Iboyaima of Heirok Part I (0.03 acre)
3) Mutum Romi Leima, W/o M. Pratap Meitei of Palen Mamang Leikai (0.03 acre)
4) Pangambam Sangeeta Devi, W/o P. Ibomcha of Hiyangthang Makha Leikai (0.03 acre)

- Petitioner

-Vrs-

(Late) Wahengbam (O) Thambaltombiu Devi, W/o W.Irabot Singh of Khathong (0.14 acre) - O.P.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Dtd. 25/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 14-Khathong Patta No. 126 (New) Dag No. 130 Area 0.60 acre Class Ingkhol হায়রিবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Nambol

HL-P/2356/26

### ꯁꯥꯂꯥꯢ ꯒ꯭ꯔꯨꯞ URGENT JOB VACANCY

Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

*Airport Job Vacancy at Bangalore, Hyderabad & Kolkata*

*(Training with 100% Placement) First Come First Chance*

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Loader/ Cargo Loader/Cleaner | Rs. 12000 above | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | VIP Lounge Staff/ Ground Staff | Rs. 15000 above | 20 | XII / Grad / Master |
| 3 | Commercial CSA Staff/ Attendent | Rs. 15000 above | 20 | Grad / Master |
| | *Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)* | | | |
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | Food & Beverage Supervisor | Rs. 10000 | 10 | XII / G |
| 3 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 6000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 6000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Helper/ Chawkidar | Rs. 4500 - 20000 | 15 | VIII/X/XII |
| 6 | Cook / Waiter | Rs. 4500-20000 | 20 | VIII/X/XII |
| 7 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 8 | Juice Selling Workers | Rs 5000 | 20 | VIII/X/XII |
| 9 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 10 | Supervisor / Trainer | Rs. 8000 – 20000 +EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 11 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |
| | *Vacancy at North East India (Male/Female)* | | | |
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking Staff (26 Yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

Last Date of Submission : 28/04/2022
Officie Timing : 10:30 am to 3:00 pm
Date of Interview : 29/04/2022
For More Information Please Contact # 7641836503 / 8794793684

**Salai Unemployment Service Centre**
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking

HL-P/2179/7,8,11,13,17,18,20,23,25,26

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref. Mutation Case No. 194/SDC/SWG/2022**

Parties : 1) Khomdram Gyaneshwar Singh, S/o Somorendro Singh of Singjamei Thongam Leikai
2) -do- Jadumani Singh, S/o -do- of -do-
3) -do- Vivekananda Singh, S/o -do- of -do-

- Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Khomdram Loidang Devi, W/o Somorendro Singh of Singjamei Thongam Leikai - Opposite Parties

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Sawombung, the 25th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 27-Pungdongbam পট্টা ন: 226 (অরিবা) 277/471 (অনৌবা) দাগ ন: 728/837 মোট এরিয়া 1.25 একর চাওবা অঙনফৌ/লৌফমগী পাট্টাদার Khomdram Loidang Devi অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃ: গী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপত্তি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপত্তি পীরবা য়াগনি মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector, Sawombung** Imphal East

HL-P/2355/26

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref. Mutation Case No. 120 of 2022**

Laishram Rajen Singh, S/o L. Nabakumar Singh of Keinou Thongkha Makha Leikai -Applicant

-Vs-

(L) Laishram Ibempishak Devi, W/o (L) Thambalngou Singh of Keinou -O.P. Pattadars

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Oinam, 25/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নং ৫৬৮/১৩৩০ (অনৌবা) দাগ নং ৫/৪৪৮৮, এরিয়া একর ০.৬৭৯৯৯ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী শরুকমখৈ মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুখ্রগনি।

**Sd/- Ph. Kumar Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/2356/26

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 300/SDC/NBL of 2022**

1) Nameirakpam Pramodini Devi, W/o (L) Kongkham Nanda Singh of Uripok Khumanthem Leikai
2) Amarjit Kongkham, S/o K. Nanda Singh of -do-
3) Kongkham Priyalaxmi Devi, D/o (L) K. Nanda Singh of -do-

- Petitioner

-Vrs-

(Late) Kongkham Nando Singh, S/o K. Angahal Singh of Maibam Chingmang - O.P.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Dtd. 25/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 23-Maibam Patta No. 23/739 (Old) 23, 858/1140 (New) Dag No. 1148 Area 0.61 acre Class Phourel হায়রিবা Loufam অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Loufam অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Nambol

HL-P/2356/26

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST (CENTRAL) : MANIPUR

**Ref. Mutation Case No. 488/SDC/IW(C) of 2022 dt. 21/4/2022**

1. Nongmaithem Pusparani Devi, W/o (L) Sanchipdeba Singh of Singjamei Mathak Chongtham Leikai - Petitioners

-Vrs-

(Late) Nongmaithem Sanchipdeba Singh, S/o (L) Cheiteino Singh of Chongtham Leikai - O.P.(s)

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Lamphel, 25-04-2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Nongmaithem Sanchipdeba Singh, S/o (L) Cheiteino Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নং 48-Singjamei অরিবা পাট্টা নং 48/116 অনৌবা পাট্টা নম্বর 476/1541 দাগ নং 1182/1281, 1182/1288 অমসুং এরিয়া .0135 হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী লোইনবী অসিনা মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই, কেস মখা চথুরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Imphal West (Central)

HL-P/2353/26